**GAS NEWS**

**MISAO GAS**
Bk.upto : 26-11-13
Valid From: 9-11-13 **Stock-612**

**JEMON GAS, Chingamathak**
Bk.upto : 14-11-13
(Sl. 30660)
Valid From: 05-11-13 **Stock-612**
Time:7am-10 a.m.

**HRANGCHAL GAS, Old Lambuland**
Bk.upto : 19-11-13
Valid From: 13-11-13 **Stock-306**
Time:6.30a.m.- 9 a.m.

**ATHOKPAM INDANE SERVICE**
**Wangjing & Khongjom**
Bk.upto : 9-12-13
Valid From: 2-12-13 **Stock-306**
Time:7.30a.m.- 10 a.m.

**IMPHAL LPG**
Bk.upto : 10-12-13
(Sl. No. 34202)
Valid From: 05-12-13 **Stock-306**

**K & K INDANE**
Bk.upto : 21-12-13
Valid From: 13-12-13 **Stock-306**
Time:7.00a.m.- 10.00 a.m.

**LAMBODARA INDANE**
Bk.upto : 23-11-13
Valid From: 21-11-13 **Stock-306**
Time:7.30a.m.- 10 a.m.

**LAMSHANG GAS**
Bk.upto : 25-10-13
Valid From: 10-11-13 **Stock-306**
Time:7.00a.m.- 10 a.m.

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Bk.upto : 25-11-13
Valid From: 21-11-13 **Stock-306**
Time:7.00a.m.- 11 a.m.

**MANIPUR GAS**
Bk.upto : 15-11-13
Valid From: 09-11-13 **Stock-612**
Time:7.30a.m.- 10 a.m.

**TDK GAS, SEKMAI**
Bk.upto : 09-10-13
Valid From: 03-10-13 **Stock-612**
Time:7.30a.m.- 10 a.m.

**YAIRIPOK GAS**
Bk.upto : 09-12-13
Valid From: 30-11-13 **Stock-306**
Time:7.10a.m.- 11 a.m.

**POROMPAT GAS, POROMPAT**
Bk.upto : 18-11-13
Valid From: 07-11-13 **Stock-327**
Time:7.30a.m.- 10.30 a.m.

# লালুনা রাহুল উন্নদুনা বিহারদা এল্লাইন্স তৌনবা খন্নখ্রে




**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৭ ঃ** লালু প্রসাদ য়াদবনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি রাহুল গান্ধী উন্নদুনা কংগ্রেস অমসুং আরজেদি অনি পুন্না চৎমিন্নদুনা বিহারদা সেকুলর এল্লাইন্স অমা শেম্ননবা খন্নখিবগী ৱাফম লৈরে হায়রি।

লালু অমসুং রাহুল গান্ধী উন্নখিবা অদু চৎলিবা থা অসিদা অনিরকশুবা ওইনা উন্নখিবনি হায়রি। আর জে দি লুচিংবা অদুনা কংগ্রেসকী মরুওইবা লুচিংবা দিগ বিজয় সিংহ অমসুং এল জে পিগী মকোক রাম বিলাস পাসৱাল উন্নদুনা হিরম অদুগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে হায়রি।

দিগ বিজয় সিংহনা সেকুলর এল্লাইন্স অমা শেম্বগী মতাংদা ৱাফম কয়া লালুদা ফোঙদোকখ্রে হায়রি। এল জে পি অমসুং আর জে দি কংগ্রেস পার্টিগী মরুওইবা মরুপ মপাংশিংনি। মখোয়না বিহারদা সেকুলর এল্লাইন্স অমা শেমদুনা সরকার শেম্বদা শরুক য়াবা পাল্লি হায়বদু ময়েক শেংলে। হৌজিক হৌজিক বিহারদা পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৪০ লৈ।

কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবা এল্লাইন্স তৌবগী ৱাফম অদু অথুবা মতমদা লাওথোক্লবা য়াই। এল্লাইন্স তৌবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েং কয়া লৈগনি। মদুগী মনুংদা বি জে পি বু মায়থিবা পীননবগীদমক এল্লাইন্স শেম্বা হায়বসিসু অমনি।

এল জে পি গী ফিরেপতি ময়েক শেংলে। অদুম ওইনমক জে দি (য়ু) গী নিতিশ কুমারগা নকশিন্নদুনা বিহারদা এল্লাইন্স অমা শেম্বগী ৱাফমদা ৱারেপ লৌদ্রি। অদুম ওইনমক আর জে দি নত্রগা জে দি (য়ু)না সেকুলর এল্লাইন্স অমা কংগ্রেসকা শেম্বদা য়াওরবা য়াই।

আর জে দি গী লুচিংবা লালু প্রসাদনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীগা মমাংদা উন্নখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা পাসৱাননসু কংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া উন্নখি হায়রি। অদুম ওইনমক ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিটিনা বিহারদা এল্লাইন্স তৌবগী ৱাফম অদু মরুওইবা ৱাফম ওইনা লৌদ্রি। টামিল নাদুগী স্পোক পার্সন মুকুল ৱাসিকনা হায়খিবদা ইশু অদুবু য়েংশিন্নবা দিফেন্স মিনিষ্টর একে এন্থোনিনা লুচিংবা কম্মিটি অমনা মীৎয়েং চংলি। মমাংদা ইন চার্জ ওইনা বিহারদা থবক পায়খিবা লৈখি।

হৌজিক্তি ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোকপা মতম চাদ্রি হায়না মুকুল ৱাশিক্না ফোঙদোরক্লি। ফোদর কামকী কনভিক্ট ওইরবা প্রসাদকা কংগ্রেস পার্টিগা চৎমিন্নগদ্রা হায়বা অদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি হায়খি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–৬

মীওইবনা মালেম লৈকোইপুংসিগী ৱাংমদা চৎননবা কোইননবা শেম শারকপদা, মদুদা চৎপদা মীওইবগী হকচাংদা অহোংবা, অমাঙবা করি থোরকপা য়াবগে হায়বসু থিজিন্নবা, চাংয়েং ওইনা থৱাইপানবা জিবশিং মথং মথং থাদুনা থিজিল্লবা তুংদা অকায়বা লৈতবদগী মীওইবনা মালেম লৈকোইপুংসিগী ৱাংমদা খোঙ থাংদোকপা হৌখি। মখা চত্থরকপা জিবদা তৌবা চাংয়েংদু ইং ১৯৫৯ গী তাং ২৮ দসু য়ু এস এনা রোকেট অমা থাগৎতুনা এবল কৌবা য়োং অমোম অমা অদুগা বেকর কৌবা ফিমেন স্কারেল মংকী অমগা মদুদা হাপখি। মখোয় অনিসি মালেমগী ওর্বিটতদি কোইখিদে অদুবু অমুক হন্না মালেমদা তেক্ত–কায়দনা মায় পাক্লা হল্লকখি। ইং ১৯৬১ গী নবেম্বর তাং ২৯ দদি য়ু এস এনা অমুক ইনোস হায়বা চিম্পানজী লাবা অমা হাপ্লগা রোকেট অমা কাপখৎখি। চিম্পানজীসিদি মালেমসিগী অকোইবদা অনীরক কোইরুরগা হিংনা মালেমদা অমুক হল্লকখি। মসিগী মতুংদগীদি অতোপ্পা চিম্পানজী কয়া য়োং কয়া মালেমগী ওর্বিটতা কোইখ্রে। ইং ১৯৬২ চহিসিমক্তদা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না লৈবাকসিগী কোস্মোনোট য়ুরি গেগেরিনসু ভোষ্টোক ৱান হায়বা রোকেট অমদা হাপ্তুনা মালেমগী অকোইবদা অমুক কোইহনখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈকাইপুংগী ৱাংমদা চৎপা অহানবা মীশক য়ুরি গেগেরিন্না ওইখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদু পুং ১গা মিনিট৪৮ চঙলগা মালেমদা তেক্ত–কায়দনা হল্লকখি।

# দিল্লিগী আই এ এস ওফিসারশিংগী ট্রান্সফর ওর্দর রিভিয়ু তৌবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা য়াখিদ্রে

**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৭ ঃ** দিল্লিগী আই এ এস ওফিসার ৬ দিল্লিগী মপান্দা ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর ষ্টে তৌননবা আম আদমি পার্টিগী সরকারনা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু য়াখিদবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা শেংদোরকখিবদা, আই এ এস ওফিসারশিং অদু নিয়মগী মতুংইন্না ফম হোংদোক হোংজিন তৌবনি। মখোয় মফম অদুদা চহি অহুম চুপ্পা থবক তৌরক্লবা ওফিসারশিংনি। মখোয়বু ট্রান্সফর তৌবা হায়বদু নিয়মগী মতু ইন্না তৌফম থোকপনি।

এজি এম য়ু টিগী ওফিসার তরুক মফম অদুদগী থাংদোকখিগনি। অদুগা অতোপ্পা চপ মান্নবা কাডরগী ওফিসার তরুক মফম অদুদা পুশিল্লক্কদবনি। থৌওং অদুদা ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী রাজনিটিনা করিসু হায়নিংঙাই লৈতে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন অমনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখ্রে।

দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী সরকারনা হায়জরকখিবা এক্সপরিয়েন্স মতিক চানা লৈরবা ওফিসারশিং ট্রান্সফর তৌদনবা হায়রকখিবা অদু খন্নরোইদ্রা হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুমদা স্পোক্সপার্সন অদুনা ফোংদোকখিবদা, ৱাফম অদু কান্নগদবা লৈরবদি চপ চাবা নিয়মগী মতুংইন্না খন্নগনি। চৎলিবা থা অসিগী ১০ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা দিল্লিদা লৈবা আই এ এস ওফিসার ১৭ কী মনুংদা ৬ য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদগী ট্রান্সফর তৌখি। লোয়ননা অতোপ্পা আই এ এস ওফিসার ৬ না দিল্লিদা লাকহনখি।

দিল্লিগী সরকার তান্নরমদনা ওফিসারশিং অদু ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর অদু ষ্টে তৌবীনবা লোয়ননা তঙাই ফদনা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল ফাওবা লৈহন্নবা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালনা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা চিঠি ইখি। চিঠি অদুদা চিফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবদা, দিল্লি সরকারনা অদুগুম্বা আই এ এস ওফিসারশিং অদু মীখলগা মরী লৈননা দিল্লিগী কাচিন–কোয়া থুংনা থবক তৌননবগীদমক মখোয়বু দরকার ওইরি। ইলেক্সনগী মোডেল কোড ওফ কন্দক্ট চৎনগদবা চয়োল খরতা ঙাইরে। তাঞ্জা অসিদা ওফিসার শিং অদু ট্রান্সফর তৌরোইদবনি হায়রি।

ট্রান্সফর তৌখিবা মীওইশিং অদুদি অর্বান দিভেলপমেন্ট সেক্রেটরি এস এস য়াদব প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) এস সি এল দাস, ভেল্যু এদেদ টেক্স কম্মিস্নার প্রসান্ত গোয়লনচিংবনি। য়াদব ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাই দিপার্টমেন্টতসু সেক্রেটরি ওইরিবা মীশক্লি। মহাকপু কেজ্রিৱাল সরকারনা অর্বান দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টতা ট্রান্সফর তৌদুনা দিল্লিদা লৈহল্লকখিবা মীশক্লি হায়রি।

# আম আদমি পার্টিদা শৌগৎপগী ৱাফম অথুবা মতমদা তোকপগী ৱাফম লৈতে



**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৭ ঃ** দিল্লিদা সরকার পায়রিবা আম আদমি পার্টদা অথুবা মতমদা শৌগৎপা তোকপগী ৱাফম লৈতে। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদা মিনিষ্টর সোমনাথ ভারতিনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমশিং অদু য়নিংদবা ফোংদোরক্লি।

হৌজিক আম আদমি পার্টিদা শৌগৎলি, তোঙান–তোঙানবা মরম কয়াদগী মদু অমুক হন্না খঙনরকপা য়াই। মদু ঙসিমক্তি নত্তে। হৌজিকসু সপ্পোর্ট তৌরি। হয়েংদি সপ্পোর্ট তৌবা তোকখিবা য়াই অদুগুম্বা থৌশিল অদুদা হাথু হাথু ৱারেপ লৌরোই। খাংবা কনবা দরকার লৈ হায়না কংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন মুকুল ৱাসিক্না এ আই সি সিগী মীতিং অমদা ফোংদোকখ্রে।

কংগ্রেস পার্টিনা দিল্লিদা লৈরিবা ফিভম চপ চানা খংই। লোয়ননা ওইরক্লিবা ফিভমশিংদা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়খি। এ এ পিদা পার্টি অদুনা শৌগৎপগী মতম চপ চাবা হায়খিবা লৈতে। পার্টি অদুনা দিল্লিগী সরকারবু শৌগৎলি। মদু দিল্লিদা অনৌবা মীখল অমা পাংথোকপদা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং অদু দিল্লি মীয়ামগীদমক খল্লগা শৌগৎখিবনি। লাইবক থিবদি এ এ পিনা মখোয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম খুমাং চাউনা পাংথোকপা ঙমদ্রে।

আম আদমি পার্টিগী এমএলএ বিনোদ কুমার বেনি ইন্থোকপগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অদুগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোংদোকখিদে। হিরম অদুগী মতাংদা দিল্লিগী লেফটিনেন্ট গভর্নর উনদুনা খন্নখিবা লৈখ্রে।

এ এ পিগী এমএলএ বেনিনা সরকার অদুগী লো মিনিষ্টর সোমনাথ ভারতি লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌরকখিবা লৈখি।


মুকুল ৱাশিক্না হায়খিবদা, এ এ পিগী সোমনাথ ভারতিনা রিপব্লিক দে নুমিৎতা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা পীখিবা ৱারোল অদুদা ক্রিটিসাইজ তৌখিবা অদুবুদি য়ানিংদবা ফোংদোকখি। এ এ পিনা মখোয়না হায়দোকখিবা থবক কয়া তৌননবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মীওই খরনা প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখিবা অদুবুদি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

# দিল্লিগী লোক সভা সিট তরেৎমক ভারতিয়া জনতা পার্টিনা মায় পাক্লবা য়াইঃ বিজয় গোয়ল

**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৭ ঃ** মীয়াম্না আম আদমি পার্টিদা থল্লম্বা থাজবা অদু মাঙখ্রে। মদু মখোয় মশেলগী ৱাথোক্লনি হায়না দিল্লি বি জে পি য়ুনিটকী লুচিংবা বিজয় গোয়লনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, লাক্লিবা লোক সভাগী মীখলদা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিগী সিট ৭মক বি জে পিনা ফংবা ঙম্লবা য়াই হায়খি।

থা অমগী মমাঙদা আম আদমি পার্টিনা দিল্লিদা সরকার শেমখি। মীখলগী মেনিফেষ্টোদা হায়খিবশিং থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়না মখোয়গী মেম্বর মরক্তা য়ানদবা কয়া লাক্লে হায়না রাজস্থানগী জয়পুরগী ওইনা ফেব্রুৱারি ৭তা রাজ্য সভাগী মীখল পাঙথোকপদা নোমিনি ওইনা খল্লবা বিজয় গোয়লনা ফোঙদোরক্লি।



মীখল মমাঙদা এ এ পিনা হায়খিবগা হৌজিক তৌথোরক্লিবা অদুগা খেন্নবা কয়া লৈরে। দিল্লি এসেমব্লি মীখল মতুংদা কংগ্রেস পার্টিনা শৌগৎতুনা এ এ পিনা সরকার শেমখি। এ এ পিদা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা অদু মাঙখ্রে। পার্টি অদুনা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লরে হায়খি।

বি জে পিগী হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদুনা রাজস্থানগী সিট ২৫মক বি জে পিনা ফংননবা লাল্লোং অমা চঙশিল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইং ২০১৪গী লোক সভাগী মীখলদা পার্টি অদুনা সিট ২৭২ ফংননবা পান্দম থল্লি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা পার্টি অদুনা লৈবাক অসিদগী করপশন মুখৎনবা অমসুং নোংমগী তঙায়ফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিংগী মমল কন্ট্রোল তৌননবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরি হায়খি।

# রুরেল–অর্বান ক্লষ্টরশিং চাওখৎহনবদা মীৎয়েং থল্লি

**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৭ ঃ** রুরেল অমসুং অর্বান কোনশিল্লিবা প্রোজেক্ট কয়া চাওখৎহন্নবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়বদু খঙই হায়না রুরেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর জয় রাম রামেশনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, প্রোজেক্ট কয়া থবক পায়খৎপা ঙমদনা লৈরি। সরকারগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি এক্ট (এম জি এন আর ঈ জি এ) গী তঙায়ফদবশিং পীবগা লোয়ননা মদুগী কান্নবশিং ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী আশা তৌরি হায়রি।

রুরেল নৎত্রগা অর্বান কাঙলুপ্তা চিংদবা অতোপ্পা প্রোজেক্ট ৩৯০০ লৈরি। মদুগী মনুংদা ৱাটর সপ্লায়, সেনিটেশন, ষ্ট্রিট লাইটিং, টুরিজম অমসুং লম্বী–থোংশিং, পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ মোদশিং য়াওরি।

হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অদু অর্বান এমিনিটিস ইন রুরেল এরিয়াগী প্রোভিজন মখাদা অমুক হন্না শেমদোক–শেমজিন তৌননবা হোৎনরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদো–কখিবদা, ষ্টেটকী মতেংগা লোয়ননা য়ানবা অমা শেমগৎতুনা রুপা প্রোজেক্টকী মখাদা অন্ধ্র প্রদেশকী কৃষ্ণ দিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎলি। রুপা প্রোজেক্টনা লম্ অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা চাওখৎ মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি।

১২শুবা ফাইভ ইয়ার প্লানদদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতীক চানা শেমগৎপা ঙম্লগনি হায়না আশা তৌরি হায়খি।

# মাওইষ্টনা ফাখিবা ওফিসিয়েলশিং থাদোরক্লে লেন্দমাইন পোকখায়বদা সি আর পি এফ পর্সনেল ২ শিরে

**গিরিদিহা, জনুৱারি ২৭ ঃ** জর্খন্দগী মাওইষ্টশিংনা ফাখিবা রুরেল দিভলপমেন্টকী ওফিসিয়েল ৪ নোংমাইজিং নুমিৎতা থাদোরকখ্রে। মখোয় থাংজ নুমিৎতা মাওইষ্টশিংনা ফাখিবনি হায়রি।

গিরিদহগী এস পি কান্তিকুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল ৪থাদোরক্লে হায়বদু কনফার্ম তৌরে।

মাওইষ্টশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতগী কিলোমিট ৩৫ রোম চৎলগা লৈবা পিরটানদগী থাংজ নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিং অদু ফাখিবনি।

ফাখিবা ওফিসিয়েলশিং অদুবু রেস্ক্যু তৌননবা চত্থখিবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী ওপরেশন্দা লেন্দমাইন্দ পোকখায়রকপদগী সি আর পি এফকী জৱান অনী শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৭ না মথং মথং পোকখায়রকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মাওইষ্টনা দোলাকাথাকী মধুবান জঙ্গলদা থংন–থংননা লেন্দমাইন বোম ২২ পোকখায়–হল্লকখি হায়রি।

গিরিধাগী এস পিনা ফোঙদো–রকপদা ফাখিবা ওফিসিয়েলশিং অদু কন্নবা চত্থখিবা ওপরেশন অদুদা মাওইষ্টেশিংনা অতম্না বোমশিং অদু পোকখায়হল্লকখিবনি হায়রি।

মাওইষ্টশিংনা থাদোরক্লবা কর্ম্মচারিশিং অদুদি পঞ্চায়ত সেবক মাসুদ অন্সারি, রোজগর সেবক চন্দ্রদিও পঞ্চায়ত সেক্রেটরি সম্বু পান্দে অমসুং সাই ভামসি ভর্ধননি। মখোয় প্রাইম মিনিষ্টর রুরেল দিভেলপমেন্টকী মখাদা থবক তৌবা মীওইশিংনি হায়রি।

মাওইষ্টশিংনা লেন্দমাইন পোক–খায়হল্লকপগী থৌদোক্তা শোকখ্রবা মীওইশিং অদু হেলিকোপ্টর অনীদা ষ্টেট অদুগী কোনুং রাঞ্চিদা পুদুনা লায়েংখ্রে। থাদোরকখ্রবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা মাওইষ্টশিং অদুনা দেপ্যুটি কমিশ্নর অমসুং গিরিধাগী বি দি ও অমদা টার্গেট তৌরি হায়খি।

মীফাশিং অদুবু ফাজিন্দুনা থল্লিবা পিরতন্দগী জঙ্গলদা সি আর পি এফকী পর্সনেলশিং অমসুং ঝর্খন্দ পুলিসনা পাক–শন্না ওপরেশন চত্থখি।

ঝর্খন্দগী দি জি রাজিব কুমার, আই জি এম এল মিনা অমসুং দি আই জি সুমানা গুপ্তনা মাওইষ্টশিংনা ফাজিনখিবা ইমপ্লোয়ীশিং অদুবু থাদোকহন্নবা চত্থখিবা ওপরেশন অদুদা হকথেংননা য়েংশিনখি।

দি জি পি অমসুং অতোপ্পা সেনিয়র ওফিসিয়েলশিংনা হেলিকোপ্টরদগী চত্থরিবা ওপরেশন অদু য়েংশিনখি। লোয়ননা মাওইষ্টশিংগী লোৎফমশিং অদু খঙদোক্লবা হোৎনখি হায়রি।

ধোলকাথাদা বোম মথং মথং পোকখায়হল্লকখিবা মতম অদুদা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিং অদুনা জঙ্গল অদুদা ওপরেশন চত্থখি। চীংনা ইকোয় কোইশিনবা অমসুং অশুকপা জঙ্গল অদুদা লান্মীশিংনা ফাখিবা ওফিসিয়েলশিং থাদোকহন্নবা অকনবা ওপরেশন চত্থখি হায়না এস পি ক্রান্তিকুমারনা পাউমীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থাংজ নুমিত্তা পিরটন পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা খোখ্রা খুঙ্গংদা ওফিসিয়েলশিং অদুনা ওল্ড এজ পেন্সন অমসুং সোসিয়েল সেক্যুরিটি পেন্সনশিং খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোক্লবা চৎখি। ওফিসিয়েলশিং অদুনা তোংখিবা গারীগী ড্রাইভর য়োগেন্দ্র য়াদবতি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা থাদোক্লম্বগা লোয়ননা অরানবা তৌবশিং অদুনা মহাক্কী মোবাইল স্বিটচ ওফ তৌননবা খঙহল্লমখি হায়রি।

খূৎলায় মতীক চানা পাইবা মাওইষ্ট কাদর ১২ অমসুং দেপ্যুটি কমিশ্নর অমসুং দি দি ও ফাবা পামখিবনি। তুংদা মখোয়না ফারিবা ওফিসিয়েলশিং অদু অমমমতা ওইনা মশক খঙদোকখি।

মাওইষ্টশিং অদুবু মহাক্না থৌরকখিবা গারী অদু পুদুনা চৎখিনবা খঙহল্লকখি। তুংদা ওফিসিয়েলশিংনা পায়খিবা মোবাইল ফোনশিং অদু স্বিটচ ওফ তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়বু জঙ্গলদা পুশিনখি।

চৎলিবা থা অসিগী ২২দা মাওইষ্টশিংনা সরকারগী থবক থৌরমশিংগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পিও পঞ্চায়ত বিল্ডিং বোম ফুমজিন্দুনা থুগায়খি। মখোয়না খোখারাদা পুলিস ষ্টেশন হাংদোরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোরকখি।

দি জি পিনা খুঙ্গং অদুদা য়ৌরকখিবগা লোয়ননা খোখ্রা আউটপোষ্ট অদু মপূং ফাবা পুলিস ষ্টেশন অমা ওল্লগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দি জি পিনা মখা তানা ফোঙ–দোকখিবদা, থৌদোক অদু মাওইষ্টকী অজয় মহাতোগী গেং খূৎপু অমনা চত্থখিবা ওইগনি। হায়রিবা খূৎপু অদু পিরতন জঙ্গলদা খুল্লিংবা কাঙবুনি হায়রি।

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21
* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , –@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500Gb,Ram 2Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-

Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply